থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

যু শুংবা, য়োনবা, থকপা অমসুং মণিপুর

'মতম' কৌবা কৈদৌউঁদে হৌখিবগে খঙবা, কৈদৌউঁদে লোইগনি হায়বদুসু খঙদ্রা, অমুক মম, অমুক ঙান, অমুক ঈং-অমুক শা তৌদুনা, নুমীৎ-থা অমসুং মালেম অহুমগী লৈনবা মরী তাক্লনা শক্তাক ৱাহৈ অসি করিনো খঙদ্রিঙৈ... পুং কুপ্পুরীনা নোংমা কৌবা মতম অসি শেম্মী হায়বা খঙনদ্রিঙৈ মতমদগী, চীংনা কোয়না পনশাবা, মপানগী তাইবংগা শন্নবা লমসিংসু মতম মশক তাক্লনা শক্তাক ৱাহৈ শেম্মী- য়েনখোং অহানবা- অনীশুবা... যুথক অমা, অনী অহুম অসিনচিংবা। মৈতৈ/মীতৈশিংনসু ঙসিগী সোসেল-স্ত্রকচর অসিদা লৈত্রিঙৈ, যুপান থাবা হায়বা নাৎকী চৎনবী অমা শাগোয়নরম্মী। হায়বদি, মতমগী খোঙচৎ মতুংইন্না অহোংবা কয়া লাক্তুনা ফুরুপ অসিগী অয়াম্বা ইমুংশিংদা যু শুংবই চৎনবী তোকপ্রবসু ফুরুপসিনা খুন্দাবা থুক কয়াদা যু শুংবই মনাৎ অসি ওসিসু ৱাক্লি।

হায়জনীংবদি, অতৈ নত্তে, লমদমসিদা খুন্দরিবা ফুরুপ মচা-মচাশিং অসিসু মালেমগী অতৈ লৈপাককশিংগুম য়েলহৌউঙৈদী মতমদগী 'যু' কৌবা ময়াম কাবা মহী মখল অসি থক্লরকই হায়বগী ৱারী-ৱাখুন তাকচনীংলুবনি। মরমদি, হৌজিক হৌজিক লমদমসিদা, চহী ৩১গী মমাঙদা, মতমদুগী মণিপুর লৈঙাক্না 'যু-শুংবা-য়োনবা-থিংবগী লো অমা (মণিপুর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১)' শেমখিবদু ঙসিগী বি জে পি লৈঙাক্না অথিংবদু কন্দিসন খরদা লৌথোক্লবা লৌখিবা ৱারেপ অমা লৌখিবসিগী মতাংদা ৱারেপ অসি য়ানীংদবা যুগী শোংৎনা নাকপাক অনী থোরকপসিদা ঐগীসু লন্নাই ওইবা পাউদম অমত্তং তমগে খঙ্গরবনি।

পাউদম অসি 'যু থকপা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে' হায়বা ৱাফমসিদা অমা নৎত্রগা অমদা মায়নবা লেপ্লা 'মত' অমা পীগে খন, ইজ্জনীংলুবা নত্তে। 'যু থকপা ফত্তে' হায়বসিবুদি অয়াম্বনা হায়নর'সু, মীওইবা কৌবা থৱায়পানবা কাঙলুপসিনা মালেমদা খুনলিংদুনা পাল্লকঙৈগী 'থকপগী হৈনবী' অসি লৈরক্লে হায়বই ৱারী লাইরিক কয়া ফৈ। হাওদৈ/য়াংলৈ/কালৈ- মমিং কয়ানি থোয়াদম্বা যু হায়বা অনৌবা মমিং অসি থোক্লক্লিঙৈ। হিন্দুশিংগী অরিবা লাইগী ৱারী কয়াদসু 'সোমরস' থক্লরম্মী অনৌবা ৱাহৈ 'মধু/সরাব/মদিরা'নচিংবশিংসি শীজিন্নরক্লিঙৈদা। ৱারীশিংসিনা তাকই যু শুংবা, য়োনবা অমসুং থকপা থিংবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইনা ফনমক পান্নবসু ঙম্লরোইদবা থবক অমনি। মালেমগী মফম/লৈপাক কয়াদা প্রোহিবিসন লো শেমদুনা, চহী কয়া চংহন্দুনা লো য়েংশ্রবনি। 'পুমথিং থিংবা'- কনানসু ঙমখিদে। কায়দবা, লৈপাক-মীয়ামদা হেন্না মাঙজবা থৌশিল অমনি খঙলম্লুবা 'লো' অদু লৌথোক্লখি।

'মণিপুর প্রোহিবিসন লো, ১৯৯১'- শেমদ্রিঙৈদা ওইরম্বা 'লিকর-কঞ্জুমসন'গী চাং অমসুং খুন্নাইগী শকওং... লোয়ননা লো অসি চংনগুবা মতুংদা হোংলক্লিবা মওং, অমুক্তং চাউঁয়ে য়েংলুবা নুংঙাইনি। কনাগুম্বা রিসর্চর অমনা থিজিন-হুমজিন তৌদুনা, চপ-চাবা দেতা অমা উৎলুগা ইরকপা ৱারেপ ওইরবদি হেন্না নুংঙাইরমগদবনি। গভর্ণমেন্টকী ওইবা থৌশিল (পোলিসি) অমা চহী কুপ্পুমাথোই চংনরম্লগা কায়দ্রবা থৌশিল অমনি হায়দুনা অতোপ্পা গভর্ণমেন্ট অমনা অমুক চংনহল্লক্লবা হায়বসি অসিগুম্বা বেকগ্রাউন্ড পেপর অমদা যুম্ফম ওইরগা, থৌশিল অসিগী কায়বা/কায়দবা ৱাফমশিংদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লক্লিবা লাউথোকপা ৱারেপ ওইরক্লবদি ঙসি থোক্লিবা ৱাথোকাদু অসি থোক্লরোইদ্রিঙৈদবনি। ঐখোয়গী পোলিসি মেকরশিংগী অশোয়বসি অসিরাইদনি। লোজিক'তা যুম্ফম ওইরগা লৌবা ৱারেপ মান্দবা, ইমোসনেলল্লুম্বা লৌবা ৱারেপ মাল্লকপা।

১৯৯১দা শেমখিবা 'মণিপুর প্রোহিবিসন এক্ট'- সোসল রিঅলিটি, ত্রেডিসন, কলচরেল এলিমেন্ট অমদি ইকোনোমিক ফেক্তরনচিংবদু কৃপ্পা নৈনরগা, লৈপাক-খুন্নাইগী ফননবা শেমখিবা লো নত্তে। মযাই কাবা চিঙাক চাবা-থকপা-য়োনবা থিংবা (মরু ওইনা যু থিংবা)গী অকনবা খোঙজং অমা মতমদুগী নুপীশিংনা চঙশিন্লম্মী। মদুবু- 'নিশা-বন্দ' হায়না খঙনখি। মণিপুরগী তম্পাক-লম, ভেল্লি-এরিয়াগী কাচিন-কোয়া-লৈরক-কোনশাং শীনবা থুংনা শন্দোরকপা' ঈহৌ অসিগী শক্লোন লৌরকখি। অরোনবা অমসুং অকোংবা লুপ কয়ানা শৌগৎলকখি, প্রেসর গ্রুপ অমা ওইরকখি। মতমদুগী মণিপুর লৈঙাক তুমীন' লৈবা য়ারকখিদে। মণিপুর ষ্টেট প্রোহিবিসন এক্ট শেমখিবগী 'নিশা বন্দ' হায়নরম্বা নুপী-লুপশিং (তোর্চ বিয়রর) হায়না খঙনরকখি।

ঐখোয়না ঙসি খঙ্গনিংঙাই ওইরিবদি- প্রোহিবিসন এক্ট পাস তৌদুনা ময়াই কাবা চিঙাক শুংবা, য়োনবা, থকপা থিংবগী থবক লৈপাক্কী আইন ওইবগা মতুংদা থবকশিং অসি কদায় য়াওনা ফাওবা থিংবা হায়বা ৱাফম অসিনি। অকঙবা কাঙলুপ খরদা নাৎকী ওইবা থবক-যৌরমকন্দ্রা শীজিন্ননবা যু, শুংবগী থবক্তা অথিংবা থমখিদ্রবসু লৈকায় খুদিং য়ুংঙৈ য়োনফম ৱাংখিদে। থকপগী চাং হল্লুরকখিদে। খুল খুদিং/লৈকায় খুদিং- মী শিংগী পোৎলোইবগী থৌরমদা, থৌরমদু পাঙথোকপীনবা 'যু পীথকপা' তঙায়নফমদা অমা ওইরক্লে। খুঙ্গং অমদা শেমগৎ থোকখিবা, অসিগুম্বা থৌরম অমদা য়ানশিনবা যু থক্লুবদগী মীওই-খরা পুল্লুপ শিখিবগী থৌদোক থোকখিবা-খঙনরবনি পুম্নমক। যুমথোংই খুদিং থোক্লিবা, থোক্লুদনা লৈরবা পোকপা-শিবা, লুহোং-কৈহোং, নাহুৎ-নারেং, চাকচা-ঐজোনবা... যুগৌ চংনবা থিংবা যুঙাং- যাওদ' যাদ্রবা মথেল অমনি। অসিগুম্বা থৌরমদা 'যুগী স্পেসল এরেঞ্জমেন্ট'- নুপাশঙ্গী ওইরম্ব, ঙসিদি, নুপীশিংসু অথন্না তৌনরে।

নুপীগী লুহোং-কৈহোংপোং'তা 'হৈজিংপোং'তা 'পি-মেরিতজ পার্টি'- অনৌবা মথেল অমনি। পার্টিসিংগীদমক বীঅর/হুইস্কি/ব্রান্দি তঙায়ফদবা মচলনি।

কলচরেল চেঞ্জ অমনি, তুংদা ত্রেডিসন ওইরক্লবা। পুম্নমকসি মণিপুরগী 'প্রোহিবিসন লো'না, হৌখিবা চহী কুপ্পুমাথোইসিদা শোকপা ঙমদনা লৈরক্লবা এরিয়ানি, হেন্না পাকথোক চাউথোকখিদবা, কনানসু থিংবা ঙম্লোইদবা। নুপীনা যু থকপগী অনৌবা কলচর অসিদি প্রোহিবিসন-লো অসি চংনগুবা মতুংদা শেংলকপনি। মমাঙদদি মদুগুম্বা লৈরম্লোই। অদুগা, শেমদাংগীদমক খন্দুনা চাহৈ-থকদৈদবা পোক কয়া য়ুদা য়ানশিন্দুনা য়োনবই থবকসিমসু 'যু থকপা-য়োনবা থিংলে' হায়বা আইন অসি শেমম্লবা মতুংদা হেনগৎলকখিবনি। পোয়ান-যু (এল্পটৈটেদ অলকোহোল) য়োনবা হৌদোরকখিবা, য়ুগী মমল তাঙখৎলকখিবা- ষ্টেট অসি দ্রাই-ষ্টেট (যু ফংদবা ষ্টেট) ওইরে লাউথোকখিবদগীনি। যু থকপগী শোকচিল্লবা হকচাং কেমখিদুনা পুন্সি লোমখিবা মীগী মশীং হেনগৎলকখিবসু প্রোহিবিসন-লো চংনগুবা মতুংদনি। লো অসি চংনখিবদগী, লাইসেন্স পায়দুনা য়োল্লগা য়ুঙাং-দুকান (ফোরেন লিকর সোপ)শিং অমত্তা মশক উখিদে। অদুবু য়ুঙাং য়াওবা লীক্লিশিংদি ৱাৎপা কৌবা লৈখিদে, অরোম্বা মমল লৈতবগী ৱাতনি। লাইসেন্স পাযবা দুকানশিংগী মহুৎ পুলিস অমদি আর্মি-কান্তিনশিংনা মহুৎ শীনখিবনি। মখোয়না সপ্লায় ওইরগা অন-ওথোরাইজ-আউটলেটশিংদা ফংহনখিবনি- রিটেল প্রাইস অদুদগী দবল -ত্রিপল মমল হেনগৎলগা। কলেজ লৈবা (মথংগ্মায় চাউবা) যুথকপশিংনি। থম্ময়োননা ঈহৌ লাংলবনবু, মমল তুকা থিদুনা করিগী অরীকপা ওইজরনি- হায়বই ফেবা অদুনি। হায়-তি-পার্টি, লুহোং-কৈহোং-লঙ্গ-দিন্নর, নাহুৎ-নারেং-সষ্টি-পুজা-বার্থ-দে পার্টি... যুঙাংগী-চৈচাই থোক্লনি। মমল য়াম্বা যু পীথকপা ওম্বা মহাক্কু ঈকায় খুম্ভবা নুপীনা য়াবা মীনি শীজিন্নগনি।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে সিমত্তংদি হায়নীংই- প্রোহিবিসন লো চংনহনবনা যু থকপা মীগী মশীং হন্থহনে, যু লিগোলাইজ তৌবনা যুথকপা মশীংসু হেনগৎলক্লোই... যু লিগোলাইজ তৌরগা, কন্ট্রোল মিজর কনথহনবনা এফেক্ত তৌগদৌরিবসি যুগী কালিটি অদুখঙনি, ইনকম লাক্লবা লৈঙাকসিদা রিভিন্যু ইনকম লাকহনবগা। মশাগী লো অমদি থাজজবা লাইদুনা যু থকপা য়াহে হায়জবা লমদুদা (আরব কন্ট্রিশিং) প্রোহিবিসন লো চংনদে। যুথকপা মীশিংসু হেনগৎতে। মরমদমদা কোয়রকপা ট্রিষ্টিশিংবু পেলহন্নবা, টৈন্দাইজ তৌরবা ব্রান্দি/হুইস্কি/বীয়র-তঙায়ফদবা ভাঙনি।

লৌশিং পুক্কে

নুপাদগী নুপীনা মতম

খরা হেন্না শাংথনা তূম্বা মথৌ তাই

মীওই খুদিংমক মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই। অদুবু খ্বাইদগী মরুওইবা কয়াৎ অমা ওইরিবা ব্রেনদা খেন্নবা খরা লৈবা মরম্না নুপাদগী নুপীনা মতম খরা হেন্না শাংথনা তূম্বা মথৌ তাই।

ইংলেন্দগী লেসেষ্টরশাইয়রদা লৈবা লোগবোরো য়ুনিভর্সিটিগী স্লিপ রিছার্চ সেন্টরনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, নুপীশিংনা তূম্বা ৱাৎপা মতমদা সাইকোলোজিকেলগী ওইবা অহোংবা কয়া থোরকপদগী খোয়রাং খোয়শাউনবা, ৱাখল লাঙতক্লবা অমদি দিপ্রেসনগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকই।

স্লিপ রিছার্চ সেন্টরগী দিরেক্টর ওইরিবা প্রোফেসার জিম হোর্ননা হায়খি, নুপীগী ব্রেননা নুপাগী ব্রেনদগী খরা খজিক তোঙাল্লি। মরম অদুনা মতম খরা হেন্না শাংথনা তূম্বা মথৌ তাই। নুপাদগী নুপীনা ব্রেন শীজিন্নবা হেল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা চাক থোংনা থোংনা ইমুংগী অতৈ থবক নোম্বা, ৱাইরম শীৎ-শেংবা, অঙাং শেন্নবা অসিনচিংবা কয়া কয়ানি। ব্রেন হেন্না শীজিন্নবা মরম্না তূম্বগী মতমসু নুপীনা হেন্না শাংগদবনি। তূম্বা ৱাৎপনা নুপীশিংদা দিপ্রেসন অমসুং অতৈ সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লহল্লকপগা লোয়ননা থম্মোয়গী লায়না অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

কুমজা ২০১৩ দা নোর্থ কেরোলাইনাগী দ্যুক য়ুনিভর্সিটিনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদসু নুপীনা নুপাদগী মতম হেন্না শাংনা তূম্বা মথৌ তাই হায়বা খঙখ্রবনি। তূম্বা ৱাৎপা নুপীশিংদা ফিজিকেল অমদি মেন্টেলগী ওইবা অশোয়বা কয়া থোকহল্লকই হায়রি। মীপুম খুদিংমক নুংঙাইনা তূম্বা পাল্লবসু তৌগদবা ইথৌদাংনা য়াম্মনবদগী মপুং ফানা তূম্বা ফংনরক্ত্রে। মথৌ চিনবা মীওই অমনা খ্বাইদগী অরায়বা মওংদা মতম কাইথোকপা ঙল্লিবসি তূম্বগী মতমনি। মরম অদুনা অহিং তুমদবমখৈ থবক তৌনরিবনি।

দেলি মেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা বৃটেনগী স্লিপ সাইন্টিষ্ট ডা. জিম হোর্ননা হায়খি, চাংচৎতা নুপীনা নুপাদগী মিনিট ২০ হেন্না তূম্বা মথৌ তাই। মসিগী মরুওইবা মরমদি নুপীনা নুপাদগী ব্রেন শীজিন্নবা হেনবননি। অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা ব্রেন য়াম্না শীজিন্নরিবমখৈ শাংথনা তূম্বসু মথৌ তাই। অদুবু তোঙান তোঙানবা মরম খরদগী নুপী অয়াম্বা মপুং ফানা তূম্বা ফংদে। খ্বাইদগী মরুওইনা মীরোল্লিঙৈ মনুং অমসুং থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমদা মপুং ফাবা তূম্বা ফংদে। নুপানা থেঙনা হঞ্জিল্লকপনসু নুপীগী তূম্বা কায়হল্লি। নেসনেল স্লিপ ফাউন্দেসনগী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না তূম্বা য়াদবগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা কা হেন্না কোফি থক্লোইদবনি, মৈখু শীজিন্নরোইদবনি অমসুং যু থক্লোইদবনি হায়রি।

অমরোমদা নোর্থ কেরোলাইনাগী দরহেমদা লৈবা দ্যুক য়ুনিভর্সিটিগী সাইন্টিষ্টশিংনা হায়খি, মদুদি নুপীনা নুপাদগী মতম হেন্না শাংনা তূম্বা মথৌ তারবসু নুপী অয়াম্বা মপুং ফানা তূম্বা ফংদে। দ্যুক য়ুনিভর্সিটিগী স্লিপ এক্সপার্ট ডা. মাইকেল ব্রিয়সনা হায়খি, মপুরোইবনা মহাক্কী লোয়নবীবু তশেংনা নুংশিবা তারবদি নুমীৎ খুদিংগী মপুং ফানা তূমহন্নবা হোৎনবীগদবনি। নুপীনা তূম্বা ৱাৎলবদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

নুপীনা ঈশৌ লাংবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা ৱাখল নুংঙাইতবগী মওং উৎথোরক্লবদি তূম্বা ৱাৎপগী খুদমনি হায়না পল্লদুনা ডা. মাইকেল ব্রিয়সনা হায়খি, নুপীনা নুমীদাংদা মপুং ফানা তূম্বা ফংদ্রবদি অয়ুক-নুংথিলদা ওইরবসু অশংবা মতমদা ঙাইহাক-ঙাইহাক তূমহনবীগদবনি। অদুবু নুংথিল তূম্বদা পুংখায় অমদগী হেল্লবদি অমুক্কা হেন্না মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইহল্লি। ইংলেন্দগী লোগবোরো য়ুনিভর্সিটিদা স্লিপ রিছার্চ সেন্টরগী দিরেক্টর ওইবা প্রোফেসার জিম হোর্ননা হায়খি, কা-হেন্না শীজিন্নবদগী অমাঙ-অতা থোক্লুরবা ব্রেনগী শরুক পুম্নমক তূম্লিঙৈদা মশা-মথন্তা রিপ্যের তৌরকই।

তূম্বা ৱাৎপনা হকশেলদা অসুক্কী মতিক অকায়বা থোকহল্লকই মদুদি নোংমদা পুং ১ খক ৱাৎনা তূম্বা মতমদা ৱাখল খনবগী মওং মতৌদা অহোংবা লাকই, এনর্জি হন্থরকই, ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকই, ইম্যুন সিষ্টেম শোন্থরকই অমসুং কার্দিওভাস্ক্যুলর হেল্‌থতা অকায়বা পীরকই।

কনাগুম্বনা নুমীৎ খুদিংগী তূম্বা ৱাৎলবসু ছুটি নুমীৎতা পুল্লপ মতম খরা হেন্না শাংথনা তূম্লবদি অকায়বা লৈতে হায়না থাজনৈ। অদুবু থৌওং অসিনা স্লিপ-ৱেক সাইকলদা অকায়বা থোকহল্লকই হায়না নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্‌থকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

নিংথৌখোং ম্যুনিসিপালিটিগী ৱার্দ ১৪দা সিৱেজ ট্রক অমদি টিপ্পর মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা রিবন কক্তুনা সর্ভিস তৌহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস)

২০২১-২২গী অহুমশুবা ষ্টেট ফাইনান্সকী মখাদা নিংথৌখোং ম্যুনিসিপালিটিগী ৱার্দ নম্বর ১৪দা সর্ভিস তৌননবা ম্যুনিসিপালিটি অসিগী ঈ ও, এল সাইগুলুন হাওকিপগী লুচিং মখাদা লৈবা সিৱেজ ট্রক অমদি টিপ্পর অমা ঙসি য়াস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা রিবন কক্তুনা মথৌ তৌবা হৌহনখ্রে।

নিংথৌখোং পব্লিক পার্কতা পাঙথোকখিবা রিবন কক্তুনা মথৌ তৌবা হৌহনখিবগী পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা ৱার্ক্স এন্দ য়াস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ঈ ও নিংথৌখোং ম্যুনিসিপালিটি এল সাইগুলুন হাওকিপ অমদি ম্যুনিসিপালিটি অসিগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা সিৱেজ ট্রক সর্ভিসতা মথৌ তৌগদবা স্বিপরশিংদা ট্রেক স্যুইটসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ম্যুনিসিপালিটিগী মায়কৈদগী পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা, টিপ্পর অসিনা দোর টু দোর রুটিন সর্ভিসকীদমক শীজিন্নগনি। দ্রাই অমদি ৱেট ৱেষ্ট খূদিংমক কল্লেক্ট তৌগনি। অদুগা সিৱেজ ট্রক অসিনা অপাম্বা মীওইনা টি আর কল্লগা শীজিন্নবা য়াগনি হায়খি।

ম্যুনিসিপালিটি অসিগী ওইনা শান্তিপুর মচা ইবেম্মা সাইদতা লৈরিবা দম্পিং সাইট অসিদা ৱেষ্ট সেগ্রিগ্রেট তৌরবা মতুং দিপোজিৎ তৌবনি। হেন্না লূ-নানবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ম্যুনিসিপালিটি অমদি ষ্টাফশিংনা লৌজরিবা থৌদাং অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু। যুমগী অমোৎপশিং মফম চাদনা লংথোকপীগনু। ম্যুনিসিপালিটিগী গাড়ী লাকপদা হাপ্পীয়ু অমদি মীয়াম তীনবা মফমশিংদা অমোৎ-অকায় লংথোকপীগনু। লোয়ননা লন্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা দষ্টবিনশিং অসি শীজিন্নবীয়ু হায়নসু ম্যুনিসিপালিটিগী মায়কৈদগী আপীল তৌরক্লি।

লময়ানবা ইরাবত নীংশিং খুদোল রূপ রাগ ইম্ফালদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) :

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি ককচিংনা শীন্দুনা চহী লিশাং শিংনা চখরকপা লময়ানবা নেতা ইরাবত নীংশিং খুদোল চহী অসিগী ওইনা রূপ রাগ ইম্ফালদা খুৎশিন্নখ্রে।

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি ককচিংনা শীন্দুনা ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা জননেতা হিজম ইরাবতকী চহী ১২৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মনা অদু ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি ইম্ফালগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা সী পি আই নেসনল কাউন্সীলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. মোইরাংথেম নরনা রূপ রাগ ইম্ফালগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট চোংথাম কমলাদা খুৎশিন্নখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, শকখঙ চে অমসুং হিজম ইরাবতকী মীতম অমসু য়াওরি। মনা অসি চহী খূদিংগী ওইনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লমদা শক্লাইরবা মীওই অমমম খনগৎতুনা মহাক্লা খুন্নাইগীদমক তৌরিবা থবকশিং অদুবু মশক খঙবা ওইনা পীবনি। রূপ রাগ ইম্ফালনা মণিপুরগী খুন্নাইদা মতম ঈশৈগী মতমদা চহী কয়া হোৎনদুনা লাক্লিবা অদুবু মশক খঙবা ওইনা মনা অসি পীবনি। হায়রিবা নেতা ইরাবত নীংশিং খুদোল মনা অসি য়াম্বেম সত্য ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়না কৎপনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি ইম্ফালগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা সী পি আই নেসনল কাউন্সীলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. মোইরাংথেম নর, সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী কন্ট্রোল কম্মিসনগী হান্নগী চ্যেরমেন কমরেদ য়েংখোম ধনঞ্জয়, ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি ককচিংগী কমরেদ সত্য, রূপ রাগ ইম্ফালগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট চোংথাম কমলা অমদি শক্লাইরবা মীওই কয়ানা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৯।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা;
মেরাগী নোংমা পানবা।

মেষ: লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংগনি, মরুপ-মপাং লোয়ননা থৌপাঙবদা ওইজগনি, মীঙোন্দা লৈখিবা শেল-থুম থৌজিনবা য়ারগনি। অঙম্বনদি চানবীদে।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: হকচাং নুংঙাইবা হেনবা, মীয়াম্না হান্নগুম চানবীবা, য়েক্লববু লায়না খুদুম চনবা নুমিৎনি। লৌশিংনা লন তানশিনগনি। মহু চাওবনদি কায়নহনগনি-থাজরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা

মিথুন: চাদিং হন্থবা ঙমগনি, মীয়াম্না য়াবা থবক পাঙউ অমদি নাইতোম অরুবা থবক পাঙগনু। লেঙদবা লন ময়েং তাদনবা মরম চাদনা খুৎচাও থাগনু, চরাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কর্কট: হকচাং নুংঙাইজবা, শেন্দোং য়াম্বা অমদি মরুপ মপাংনা তেংবাঙনিংবা নুমিৎনি। অরং-অরাক লেপশিনবা, থৌনা লিংজেল ফুদোকপা হেন্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

সিংহ: নথক থোংবগা মুক্লবনা অচৌবা মাঙজবা লৈগনি-চিন কনগনু, হুরানবগা লোয়নগনু। লাঙতক্লবা ফাথবা, পুক্লিং চঙনা থি-হুন্বনা ওইজ-ওইথক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল চাওথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

কন্যা: কিবা অমদি চিংনবা হেনগনি, শেল চৎফম য়াম্বা অমদি অনম তান্নবনা কোক শাবা য়াবসু লৈ। অদুবু লনসু হেনগৎকনি, নথক থোংবগী মতেং ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

তুলা: নাপল থাদোকউ, ফংবা য়াবা হৈ-শিংদ্রদি মাঙখিনি, খোয়রাং-খোয়শাওনবনা নুংশাথিবা নংগনি-ফিংগনু। অরুবা থবক পাঙখিনু-ঈংনা তপ্লা নোল্লুক্লা থৌপাঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- শাওনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃশ্চিক: লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। অরিবা মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি, মীংচৎ তানবসু মায় পাক্কনি। ঙাঙ-শকপদা পকচবা, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: থবক পাঙগনি, লন অমদি মীচঙ হেনগৎকনি, মীয়াম লোয়নবনা হেন্না নুংঙাইগনি। কল্লকপসু লৈ, লৌশিং ফুদোকপা ৱাৎপগী মাঙজবসু লৈগনি -পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মকর: শক চু থোকপা ৱাৎকনি-ঙক কনগনু অমদি হেন্না আশা চাওগনু। অরিবা থবক পাঙগনি অমদি নচা-ননাইগী মতেং লৌবা য়াগনি, মীয়াম্না পাম্নবা থবক পাঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কুম্ভ: মীংচৎতি হান্নগুম ফংগনি, পোরম শীনবা হৈগনি, অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাইজৈ। থাজদনা নক্লবনা তাথিবা অমদি থবক পনবা খরদি লৈখিনি-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না পামশিনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি, শেল-থুম অমদি য়েৎনবগী লমদা চাওনা মায় পাক্কনি। অদুবু ঙসিসু পাঙনিংবা থবক অমদি পনখিনি-লৌশিং চাওবগী ৱা তাও।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

জে দি য়ু থাদোক্লক্লগা বি জে পিদা য়াওরকখ্রবা নাওরেম নবচন্দ্র ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) :

ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী ইলেক্সনদা জে দি য়ুগী মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংনখিবা নাওরেম নবচন্দ্রনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৭তা জে দি য়ুদগী তোক্তুনা বি জে পিদা য়াওরকখ্রবা মতুং ঙসি বি জে পি ককচিং মন্দলনা হরাও তয়াম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি ককচিং মন্দলগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা হান্নগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্র য়াওনা বি জে পি ককচিং মন্দলগী থৌমীশিংনা বি জে পিগী লেংয়ান ফি অমদি টুপি উপ্পীদুনা তরাম্না ওকখি। মদুগী মতুংদা বি জে পিদা য়াওরকখ্রবা নাওরেম নবচন্দ্রগী যুমদা বি জে পিগী ফিরাল চিংখৎতুনা পার্টি অসিগী লুচিংপুরেল ওইরিবা ডা. দিন দয়াল উপধ্যায়গী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদু ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী কাউন্সীল্লর ওইরম্বা এস প্রেমিলা, এন মেম্মি, কে এস ঐচ রাধামনি, কাননবালানচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জে দি য়ু থাদোক্লক্লগা বি জে পিদা চঙলকখ্রবা নাওরেম নবচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক মশামক হান্না বি জে পিদা য়াওরম্মী। অদুবু মতাং মতম চাদবনা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওদুনা হৌখিবা মীখল অদু থেংনরুরে। অদুবু ঙসি মহাক্লা বি জে পিদা অমুক য়াওরক্লবসি তশেংনা হায়রবদি যুমদা অমুক হল্লকপা হায়বদুনি। লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি পঞ্চায়টকী মীখলদা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা বি জে পিগী মীহুৎশিং মায় পাকহন্নবগী থবক অঙম্বা থাক্তা বি জে পি ককচিং মন্দলগী থৌমীশিং অমদি মায়কৈ অসোমগী মীয়ামগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা হোৎনগনি। হৌজিক হৌজিক এ সী অসিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা কোকহন্নবা হোৎনমিন্নসি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মীখল অসিদা বি জে পিগী মীহুৎশিং মায় পাক্লক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈ হায়খি।

লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমগী ইনমেটশিং নারকপদা রিমসনা মতেং পাংবগা লোয়ননা শেল-থুমগী অৱাবা লৈহল্লোই : এ শান্ত

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস)

রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হৌজিক্কী মতমদা খ্বাইদগী ফবা হোস্পিটাল অমা ওইরে। লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা ইনমেটশিংগী মরক্তা করিগুম্বা অনা-অয়েক য়াওরক্লবদি রিমসনা লায়েংবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক অঙম্বা সর্ভিস পীদুনা অহল ওইরবশিং অসিগী শেল-থুমগী অৱা চৈথেং অমত্তা লৈহল্লোই হায়না রিমসকী দিরেক্টর এ শান্তনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ওল্ড এজ হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিংদা থৌনাওজম চাওবা মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্ট শীংজমৈ থোঙাম লৈকায়না থা খূদিংগী পেন্সন পীবগী চথরক্লিবা থৌরমগী মনুং চন্না সেপ্টেম্বর থাগী অহলশিংদা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংগী মনুংদা আই সী য়ু ১০০গী মথক্তা লৈবা অহানবা হোস্পিটাল রিমসনা ওইরে। মখা তানসু আই সী য়ুগী মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনরি। লোয়ননা রিমসতা অথুবা মতমদা ক্রিটিকেল ক্যের ব্লোক অমসু লৈরগনি। হায়রিবা ব্লোক অসিদা মশাগী আই সী য়ু ১০০ য়াওগনি। মসি থারগা হোস্পিটাল অসিদা আই সী য়ু ২০০গী মথক্তা লৈরগনি। আই সী য়ুগী মথৌ তাবা অনাবা খূদিংমক্তা আই সী য়ুগী বেদ ফংহনবা হায়বসি রিমসকী পান্দমনি। মীওই খরনা লন্নাই হোস্পিটালদা পুখৎলবদি থুনা অনাবা ফরগনি হায়বগী অরানবা ৱাখল লৈরিবসি থাদোকপগী মতম ওইরে। লন্নাই হোস্পিটালদা অহেনবা শেল চঙহনবগী মহুৎতা রিমসতা পুবীরক্তুনা লায়েংবীয়ু। মালেমগী থাক্কী খুৎশু-খুৎলায়শিং লৈরিবা অসিগী মতেংনা খ্বাইদগী ফবা সর্ভিস ফংহনগনি। লোয়ননা শেল চঙবগী চাংসু অসুক্কী মতিক হন্থরগনি হায়খি।

মীওইবগী থৌগল তৌবা হায়বসি শেম্বীবা তাইবং মপুগী থৌগল তৌবনি। মীওইবগী থৌগল তৌবদগী হেনবা অতৈ অতোপ্পা থৌগল লৈতে। থৌনাওজম চাওবা মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্ট শীংজমৈ থোঙাম লৈকায়না শীন্দুনা অসিগুম্বা হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিংদা পেন্সন থা খূদিংগী পীরিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাংনি। অসিগুম্বা থবক অসি ট্রষ্ট অসিনা মখা তানসু তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু। মসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কনা লৈজদ্রবা অমদি তোল্ল-তারবশিংদা হেন্না তেংবাঙ পীনবগী ৱাখল্লোন মীয়ামদা লাক্কনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ট্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাওজম রোমেননসু পেন্সন পীবগী নুংগী ৱারোল ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ট্রষ্ট অসিগী ট্রষ্টি থৌনাওজম ওংবী ইবেমহল অমদি ওল্ড এজ হোম অসিগী ফাউন্দর ওইনাম মঙ্গিসু শরুক য়াখি।